RESOLUTION PASSED BY THE MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY\
ON THE 24th MARCH, 1995
***

“য়েলহোৌঙেদগী ঙসিগী মণিপুর ইরমদমগী ফুরুপ পুন্নমক চান্ন-চিন্ননা লৈমিনরক্লি। ইরৈবাক ইরমদমগী ঙমখৈ ঙাকনবা চীং অমসুং তমগী ফুরুপ পুন্নমক পুন্সিনা পোন্থা ওইরদুনা মীরৈবাক কয়াগী মায়োক্তা লাল থেংনখিবা মণিপুর ইতিহাসনা ময়েক লানা তাক্তুনা লাক্লি। অদুবু হৌখিবা শোক ১৯৯৪ গী সেপ্তেম্বর থাদা ওপোজিসনগী মেম্বর অমনা প্রাইভেট মেম্বর রিজোলুসন অমা থাংঙ্গৎলকপদগী নাগালেন্দ বিধান সভানা মণিপুরগী লম য়াওনা হেন্না চাউবা নাগালেন্দ শেন্নবগী ৱারেপ লৌখ্রে হায়বসি ঙসিগী মীফম্না খঙলে। মণিপুর মনুংদসু চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা ফুরুপ ফুরুপকী হোমলেন্দ শেন্ননবগী দাবী তৌরক্লিবসিসু খঙলে।

ঙসিগী ৬ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী মীফম অসিনা নাগালেন্দ এসেমব্লীগী ৱারেপ অদুবু কন্না নিন্দা তৌরি। মণিপুরগী ফুরুপ কয়ানা তোঙান-তোঙানবা হোমলেন্দ শেন্ননবগী দাবী পুন্নমক অসিগী মীফম অসিনা য়ানিংদবা অমসুং মখা তানা থবক চৎথরোইদৌবনি হায়বগী অকনবা ফোংদোক্লি। মীফম অসিনা ভারতনা নীং-খা তমদ্রিঙৈগী মমাংদা লৈজরম্বা মণিপুরগী ঙমখৈ অদু করিগুম্বা অবস্থাদা কায়বা য়ারোই অমসুং টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি থুগাইনবা হোৎনরকপা পুন্নমক্কী মায়োক্তা চপ মান্ননা লেপমিন্নগনি হায়বগী অকনবা ফিরেপ লৌবা লেপ্পরে।”

W. NIPAMACHA SINGH
SPEAKER,
MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY
***